# জপানগী নাওমী ওসাকানা বেলারসকী ভিক্টোরিয়া অজারেনকাবু থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে



লন্দন, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
যু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচতা জপানগী নাওমী ওসাকানা বেলারসকী ভিক্টোরিয়া অজারেনকাবু সেট ২-১দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নাওমী ওসাকানা ঙরাং লৌখিবা টাইটল অদু থারগা মশাগী করিয়রগী ওইনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ফংবা অহুম্লক শুবনি। মশাগী চহী ২২ শুরবী ওসাকা টুর্নামেন্ট অদুদা ৪শুবা সিদেদ ওইনা শান্নবা হৌরকখিবনি। অমরোমদা, ঙরাং মহাক্কী ফাইনেল লম্বা ওইখিবী বেলারসকী ভিক্টোরিয়া অজারেনকা টুর্নামেন্ট অদুদা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখি।

ওসাকানা হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসি শরুক য়ারকপদা য়াম্না তোপ-তোপ্পা এজিটেসন অমগা লোয়ননা শরুক য়ারকখি। যু এস এদা কুচু মুবা কাংবুদা অঙৌবা কাংবুনা চখরিবা মীওৎ মীনৈগী থৌদোক কয়া অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা মখোয় লৈখিদ্রবা কুচু মুবা মীওই ৭কী মমিং মহাক্কী মাক্স অদুদা উপ্পুনা তোঙান-তোঙানবা রাউন্দশিং অদু শরুক য়াখি।

হায়রিবা মীওইশিং অদু যু এস এনা রেসিজমগী মিংদা পুলিস পর্সনেল অমদি সিভিলিয়নশিংনা হাৎখ্রবা ঙাক্তনি। মহাকপু মিদিয়ানা অমদি সপোটরশিংনা শান্নরিঙৈ অমদি শান্নদবা মতম ফাওবদা সপোর্ট তৌদুনা লাকখি।

ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদু হৌরকপদা ওসাকাগী মায়কৈদগী অশোইবা কয়া অমা য়াওখি। মহাক্কী সার্ভিস গেম অনী অজারেনকানা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী সেট অদু ইকোম কোম্না বেলারসকী শান্নরোয় অদুনা ৬-১দা থোইখি।

ভাবোক য়াওদবা ষ্টেদিয়ম অদুদা সেট ১ শোৎথরবা মতুং ওসাকানা মহাক্কী কোচকা ঙাইহাক মীৎ চান্নবা মতমদা করি শোইরগা হায়না ইনগিৎ তৌরকখি। মদুগী মতুংদগীদি ওসাকানা মহাক্কী মশান্না অদুবু থাক ৱাংখৎহন্দুনা অজারেনকাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক ফংদুনা অনীশুবা সেট অদু ৬-৩দা থোইরগা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা সেটতসু ওসাকাগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা শাফু কল্লবা সোটশিং অদুনা অজারেনকা পাউখুম পীবা ঙমখিদে। অনীশুবা সেট অদুগা চপ মান্ননা ওসাকানা গেট ৬-৩দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেচ অদু লোইরবা মতুং ওসাকানা অজারেনকাদা ফাগি তৌখিবদা মখা তাবা অতোপ্পা টুর্নামেন্টশিংগী ফাইনেলদা অজারেনকাগা শান্নবা পামদে হায়খি। মরমদি অজারেনকাগী সোটশিং অদু খুৎ হন্নবা হোৎনবদা য়াম্না অৱাবা নংখি হায়খি। ওসাকানা ঙরাং ফংখিবা টাইটল অদু অনীরকশুবনি। অদুগা কুমজা ২০১৯গী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টাইটলসু লৌবা ঙমখি।

# মহমদ সলাগী হেটট্রিকনা চেম্পিয়ন লিভরপুলবু লিদস য়ুনাইটেদকা শান্নবদা পাঞ্জল ৪-৩দা মায় পাকহনখ্রে



লন্দন, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী সিজন ২০২০-২১গী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা মহমদ সলানা চনখিবা হেটট্রিকনা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন লিভরপুলনা লিদস য়ুনাইটেদকা দ্রো চৎলমগদবদগী পাঞ্জল ৪-৩দা থোইখ্রে।

লিভরপুলনা য়ুম্বু ওইরগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অদু লিদস য়ুনাইটেদকা লম্বা তৌবদা ঙল্লিঙৈদগী হৌনা এটেক চথুবা ঙমখি। শুপ্নগী ৪শুবা মিনটতা টিম অদুনা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু মহমদ সলানা পাঞ্জল ওন্থোকখি। অদুবু লিদস য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা পাউখুম পীরকখি।

কালবিন ফিলিপনা পীরকপা পাস অমদা জেক হেরিজননা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অমমম মান্নরবা মতুং মেচ অদুগী মখা তারকপা এটেক অমদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী এন্দ্রু রোবার্টসননা য়াম্না ফজবা বোল অমা খাইরকপদা টিমমেট ভর্জিল ভান দিকনা পাঞ্জল চন্দুনা ২-১দা মাংজিল থারগা লৈখি।

লিদস য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগীসু ঙরাংগী মেচ অদুদা অথুবদা পাউখুম পীবা ঙমখি। অহানবদা পীখিবা ইক্বেলাইজর অদুগুম্না পাঞ্জল ১ শোৎথরবা মতুং ৩০শুবা মিনটতা টিম অদুগী পেট্রিক বামফোর্দনা ইক্বেলাইজর অদু অমুক্কা চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল মান্নদুনা লৈরবা মতুং মিনট ৩গী মনুংদা লিভরপুলগী মহমদ সলানা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চল্লগা লিদস য়ুনাইটেদপু মখোয়না ৩-২দা মাংজিল থারগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ১৫ রোম পাঞ্জল মখা তানা হাপচিনবা ঙম্মদনা লৈখি। অদুবু ৬৬শুবা মিনটতা লিদস য়ুনাইটেদকী হেন্ডর কোষ্টানা পীরকপা বোল অমদা মাটোস ক্লিকনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা অহুম্লক হন্না টিম অনী পাঞ্জল মান্নদুনা ৩-৩দা লৈখি।

মেচ অদুগী অপীবা মিনট ৯০ শুগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা য়ুম্বু ক্লব ওইখিবা লিভরপুলগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা লিদস য়ুনাইটেদকী দিফেন্দরশিংনা কাংলোন ৱাংমা লান্না বোল থিংনবা হোৎনরুবগীদমক পেনাল্টি অমা ফংখি। তাঞ্জা অদু পাঞ্জল ২ চন্দুনা লৈরবা মহমদ সলানা কাউবদা স্কোর তৌবা ঙম্লবদগী মহাক্কী হেটট্রিক অদু ওইখিবগা লোয়ননা লিদস য়ুনাইটেদপু মখোয়না পাঞ্জল ৪-৩দা অহানবা রাউন্দগী মেচ অদু মায়থীবা পীখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা খৃষ্টল পেলেসনা সাউথমটনবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদনা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

# ইন্দোনেসিয়ানা টুর্নামেন্ট য়ুম্বু ওইবগী বিট কেন্সেল তৌখ্রে



জকর্টা, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
এসিয়াদা মমিং লৈরবা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এসিয়া ওপন সুপর ১০০০ টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইননবা ইন্দোনেসিয়ানা হান্না বিট তৌরম্বা অদু কেন্সেল তৌখ্রে।

ৱাফম অসি ইন্দোনেসিয়াগী বেদমিন্টন এসোসিএসননা হন্দক্তা দেনমার্কনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদবা থোমাস এন্দ অবর কপ বেদমিন্টন টিম টুর্নামেন্টতা শরুক য়াররোই হায়না লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মতুংদা লৌখৎলকপনি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মালেমগী লৈবাক খরদা শন্দাকপা হন্থখ্রবসু অয়াম্বা লৈবাক্তদি হান্নগী চাংদগী হেনগৎপসু য়াওনরি। লোয়ননা ইন্দোনেসিয়া লৈবাক্তা কোভিদ লাইচৎ অসিগী য়েংলগা মপান লমগী মীওই কয়া অমসুং চংবা থিংলিবনি।

ইন্দোনেসিয়ন বেদমিন্টন এসোসিএসনগী সেক্রেটরী জেনরেল অখমদ বুদিহার্টোনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকপনি। মমাঙদা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা ইন্দোনেসিয়াদা টুর্নামেন্ট অহুম য়ুম্বু ওইননবা খন্নরম্বনি। মখোয়শিং অদুদি এসিয়া ওপন ১ অমসুং এসিয়া ওপন ২ লোয়ননা ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলস ২০২০ টুর্নামেন্টনি।

হীরম অসিগী মতাংদা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী য়ুথ এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর জাইনুদ্দিন অমালিদা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট য়ুম্বু ওইবগী প্লানশিং অদু কেন্সেল তৌবগী মতাংদা খঙহনখি।

মরক অসিদা থোমাস এন্দ অবর কপ ২০২০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুসু শরুক য়াগনি তৌরম্বা লৈবাক কয়া অমা ৱিথদ্রো তৌরকপদগী য়ৈথোক্লে। মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্লনবা থৌরাং তৌরি হায়না ইন্দোনেসিয়ন বেদমিন্টন এসোসিএসনগী সেক্রেটরী জেনরেল বুদি হার্টোনা মখা তাখি।

# মণিপুরগী কৈশাম রেগান অমসুং মিজোরামগী লালস্বানমাৱিয়া ফনাই চেন্নাইন এফ সীদা ফ্রি ট্রান্সফরদা শরুক য়াগরনি

চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১ সিজনগী ওইনা মণিপুর মচা কৈশাম রেগান অমসুং মিজোরাম মচা লালস্বানমাৱিয়া ফনাই চেন্নাইন এফ সীদা ফ্রি ট্রান্সফরদা শরুক য়ারগনি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা রেগান অমসুং ৩১ শুরবা ফনাই য়াওরকপা অসিনা চেন্নাইনগী ফুটবোল টিমদা মিদফিল্ডগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎলগনি হায়না চেন্নাইন এফ সীগী হেদ কোচ সভা লাজলোনা শান্নরোয় অনী অদুনা ক্লব অদু য়ৌরকপদা ফোঙদোকখ্রে।





নীংশিংবা য়াই, কৈশাম রেগান প্রোফেস্নেল ফুটবোল করিয়র অদু মেঘলয়াগী ক্লব রোয়েল ৱাহিংদোদা কুমজা ২০১২গী আই লীগতগী হৌখিবনি। চহী ৩ ক্লব অদুদা শান্নরবা মতুং রেগাননা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীদা হৌখিবা সিজন মঙা শরুক য়াদুনা লাকখি।

রাইট বেক পোজিসনদা শান্নরিবা রেগাননা হৌখিবা আই এস এলগী সিজন মঙা অসিদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়কৈদগী মেচ ৬৯ শান্নবা ঙমখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৮-১৯ সিজনদা নোর্থ ইষ্ট এফ সীনা শান্নখিবা মেচ ২১গী মনুংদা রেগাননা মেচ ১৮ শরুক য়াখি। হায়রিবা সিজন অদুদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী ইন্দিয়ন সুপর লীগকী সেমী ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখি। রেগাননা ইন্দিয়ন সুপর লীগ শান্নদ্রিঙৈগী মমাংওইননা গোৱাগী সালগোকর এফ সী অমসুং মুম্বাই এফ সীদা মতম খরা শান্নরমখি।

অমরোমদা, লেফট বেক পোজিসনদা শান্নবা মিজোরামগী লালস্বানমাৱিয়া ফনাই মহাক্কী প্রোফেস্নেল ফুটবোল অদু আই লীগকী ক্লব ওইখিবা পঞ্জাবকী জে সী টিদগী হৌখিবা মদুগী মতুং সিল্লোং লাজোংদা সিজন খরা শান্নখি। কুমজা ২০১৪-১৫দা বেঙ্গালুরু এফ সীদা শান্নদুনা ফেদরেসন কপ অমসুং ২০১৫-১৬গী আই লীগকী টাইটলসু লৌবা ঙমখি।

লালস্বানমাৱিয়া ফনাইনা মুম্বাই সিটি এফ সী অমসুং এফ সী পুনে সিটিদা শরুক য়াদুনা কুমজা ২০১৬ অমসুং ২০১৭-১৮ সিজনদা প্লে ওফ শরুক য়াখি। অদুগা মমাঙগী সিজনদা মহাক ওরিষা এফ সীদা শরুক য়াখিবনি।

# ফুটবোল শান্নরোয় তরুক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

দোহা, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মখাদা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী মখা তানা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগকী মেচশিং অদু শরুক য়াগদবা লৈবাক অনীগী শান্নরোয় ৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না কনফিদরেসন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ৱেষ্টর্ন রিজনগী ওইবা লীগ মেচশিং অদু শরুক য়াগদবা সাউদি অরাবিয়াগী ফুটবোল ক্লব অল হিলালগী শান্নরোয় ৫ অমসুং কটারগী ফুটবোল ক্লব অল দুহেলগী শান্নরোয় ১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি।

এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি চহীসিগী মার্চ থাদা লেপ্লুরবা মখা তানা চথুগনি হায়না তৌরম্বনি। এ এফ সীগী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোলগী মতুং ইন্না শরুক য়াগদবা ক্লবশিংগী শান্নরোয় পুম্নমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট চথবদা শান্নরোয় ৬ পোজিটিভ ওইরবা মতুং মখোয় পুম্নমক ক্বারন্টিন এনভাইরনমেন্ট অমদা মেদিকেল সুপরভিজনগী মখাদা লৈরি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা অলহিলালগী মেনেজমেন্ট টিমগী মেম্বর অমসু পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। পুন্না মীওই ৭ অদুগী মশক মমিংদি মীয়ামদা লাউথোক্ত্রি।

সাউদি অরাবিয়াগী ক্লব অল হিলালগী শান্নরোয় ৫, কটারগী ফুটবোল ক্লব অল দুহেল অমসুং মেনেজমেন্ট টিম মেম্বর অমা পুন্না মীওই ৭ পোজিটিভ ওইরকপা থেংনবা অসি য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী ক্লব অল ৱাদাগী মেম্বর কয়া অমা পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবদগী মখা তারকপা থৌদোক্নি। মেচশিংদি মখা তানা অদুমক চথুগদৌরি।

# সেন্ট ইটেনিনা ষ্ট্রাসবোর্গপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে, মোন্টপেলিয়রনা নিস থোইখ্রে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
ফ্রান্স লৈবাক্কী ওইবা ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগে ১গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা সেন্ট ইন্টেনিনা ষ্ট্রাসবোর্গপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদনা মোন্টপেলিয়রনা নিসপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখ্রে।

ঙসি জেফ্রি গুইচার্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা সেন্ট ইটেনি অমসুং ষ্ট্রাসবোর্গনা অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১২ মুক চঙশিল্লকপা মেচকী ৫৭ শুবা মিনটতা সেন্ট ইটেনিগী দি বোনগানা পেনাল্টি অমগী মতেংনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি। মখা তারকপা মেচকী লোইরমদাই ফাওবদা ষ্ট্রাসবোর্গ পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা সেন্ট ইটেনিগী মায়কৈদগী এম কমরানা ৮২ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ২-০দা থোইখি।

ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মোন্ট পেলিয়রগী দি কোংগ্রেনা পাঞ্জল ২ অমসুং জি লাবোরেনা পাঞ্জল ১ চল্লগা নিসকী দান্টেনা পাঞ্জল অমা হন্দাক্লুনা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদু মোন্ট পেলিয়রনা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা লিলেনা মেটজপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু লিলেগী ব্রাদারিসনা পাস তৌরকপা বোল অমা ৮৮ শুবা মিনটতা লুই অরোজোনা চনখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী রন্নর্সঅপ তাখ্রবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী টিম মখোয়গী অহানবা রাউন্দ মেচতা লেন্সকী মখুৎতা পাঞ্জল ০-১দা মায়থীবা নংখি। পোইন্ট টেবলদা রিনিস অমসুং লিলে পোইন্ট ৭ ফংমিন্নদুনা লৈরি।

# আই সী সীনা এন্টি করপসন কোদ ভাইওলেট তৌখিবা ২ তান্থোকখ্রে

দুবাই, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা ঙসি এন্টি করপসন কোদ ভাইওলেট তৌদুনা মেচ ফিক্সশিংগী চার্জদা য়ু এ ঈগী ক্রিকেটর অনী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

আই সী সীনা প্রোভিজনেল ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রবা মখোয় অনী অদুদি অমির হায়দ অমসুং অসফাগ অহমদনি। নীংশিংবা য়াবদি, মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা ইমিরেটস ক্রিকেট বোর্দনা লৈবাক অদুগী ওপনর ওইরিবা অসফাগপু আই সী সী মেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট মনুংদা সস্পেন্দ তৌখিবনি। অদুবু শান্নরোয় অদুগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন লোইদ্রিবা মরম্না অকক্লবা চার্জ অমত্তা তৌখিদবনি।

শান্নরোয়শিং অদুনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ১৪নিগী মনুংদা মখোয়গী মথক্তা এন্টি করপসন কোদ ভাইওলেট তৌখিবগীদমক রেস্পোন্স তৌরক্কদবনি হায়রি।

আই সী সীগী আর্টিকল ২.১.৩দা মখোয় অনীবু চার্জ তৌবনি। অদুগা কাউন্সিল অসিগী এন্টি করপসন কোদকী ২.৪.২দগীনা ২.৪.৫ ফাওবগী চার্জ মরি অমসু য়াওরি। আর্টিকলশিং অসিগী মনুংদা মেচ ফিটশিং তৌবা, করপসনগা মরী লৈনবা মখোয়দা অতোপ্পা থার্দ পার্টি অমনা পাউ ফাউরকপদা কাউন্সিলগী এন্টি করপসন য়ুনিটতা খঙহন্দবা লোয়ননা অতম্লনা খুদোল পোৎ লৌশিনবা অমদি মখোয়না খঙলিবা পাউশিং অদু মরিক চুম্না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহন্দবগী পেরা কয়াসু কোদ অদুদা য়াওরি।

# ওসাসুনা, রিএল বেটিস অমসং গ্রানাদা মখোয়-মখোয়গী মেচশিং মায়পাকপা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
স্পেন লৈবাক্কী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী অনৌবা সিজন হৌখিবগা লোয়ননা ওসাসুনা, রিএস বেটিস অমসুং গ্রানাদাগী টিম মখোয়-মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেচশিং অদু মায়পাকপা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদগী শান্নবা হৌখিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী মেচ অমদা গ্রানাদানা এথলেটিক বিলবাওবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুগী পাঞ্জল অনীম্মক অনীশুবা হাফতা চনখি। গ্রানাদাগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু ৪৯শুবা মিনটতা ৱাই হেরেরানা টিমমেট মোন্টোরোনা পীরকপা বোল অমদা চনখিবনি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা মেচকী ৫৩শুবা মিনটতা এল মিলানা চনবা ঙমখি।

ঙসি মেন্দিজোরোজা ষ্টদিয়মদা রিএল বেটিস অমসুং দিপোর্টিভো অলাভেসনা লম্বা তৌনখি। নাকল অনীম্মক পাঙ্গল মান্নবদগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫দা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতমসু টিম অনীম্মক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈরকপা অদু শান্নবা লোয়গদবা মতম লৈশিল্লকত্রবা ৯০শুবা মিনটতা রিএল বেটিসকী শান্নরোয় এস কানালিসনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট সি টেলোনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১-০দা মায়পাকখি।

অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা রামোন দি করাঞ্জা ষ্টেদিয়মদা ওসাসুনা অমসুং কাদিজনা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী হৌরকপা ১০ শুবা মিনটতা ওসাসুনাগী লোপেজনা টিমমেট ওয়রনা পীরকপা বোলদা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুগা মেচকী অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৭৯শুবা মিনটতা ওসাসুনাগী এল টোরোনা পীরকপা বোলদা আর গার্সিয়ানা চনখিবনি।

# অর্মেনিয়াগী লেবোন অরোনিয়ননা রাউন্দ ৬ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪.৫ ফংদুনা অতোপ্পা শান্নরোয় ৯দগী হেন্দুনা লৈরি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৩ (এজেন্সী):
অর্মেনিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়ননা ঙরাং শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স সোদাউন ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী মখা তাবা ৪শুবা, ৫শুবা অমসুং ৬শুবা রাউন্দগী মেচশিং অদু মায় পাক্তুনা মপুং ফাবা পোইন্টশিং ফংলগা পুন্না ৪.৫ লৈদুনা অতোপ্পা শান্নরোয় ৯দগী হেল্লগা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

নীংশিংবা য়াবদি, লেবোন অরোনিয়ন মমাঙদা শান্নখিবা রাউন্দ ৩ দ্রো লোইনা চৎতুনা পোইন্ট ১.৫ ফংদুনা লাকখিবনি। অদুবু ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা রাউন্দ ৩ অদুদা অহুম্মক মায় পাক্লগা খ্বাইদগী ফজবা হেনখি।



ঙরাং মরিশুবা রাউন্দদা অরোনিয়ননা ইরানগী আলি রিজা ফিরোজাবু মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা রাউন্দদা মহাক্না রসিয়াগী পিটর স্বিদলরবু থোইরবা মতুং ৬শুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী গ্রান্দ মাষ্টর পেরেজ দোমিনগেজবু মায়থীবা পীদুনা পুন্না পোইন্ট ৬ ফংবা য়াবগী মনুংদা ৪.৫ ফংলগা মাংজিল থারিবনি।

হান্না মাংজিল থারম্বা ৱর্ল্ড নম্বর ১ নোরৱেগী মেগনস কার্লসন ঙরাং মঙাশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ৱেষ্টলিসোনা থোইবদগী পোইন্ট মাংজখি। রাউন্দ তরুক লোইশিল্লকপদা কার্লসন, ৱেষ্টলি অমসুং নকামুরা পোইন্ট ৪/৪ ফংমিন্নরি। অদুগা মখা তারকপদা অতোপ্পা শান্নরোয় ৬না মতুং ইন্নরি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com